এন সী পি সী আরনা মচি হায় স্কুলদা চাইল্ড ট্রাফিক্কিং অমদি চাইল্ড রাইটসকী মতাংদা এৱেয়রনেস পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): নেশনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সী পি সী আর)না লৈবাক শীন্নুংনা চথরকপা 'ফ্রীদম ফ্রোম চাইল্ড ট্রাফিক্কিং ৩.০' কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি হায় স্কুলদা ঙসি কম্মিসন অসিনা শীন্দুনা চাইল্ড ট্রাফিক্কিং অমসুং চাইল্ড রাইটসকী মতাংদা মহৈরোয়শিংদা এৱেয়রনেস পীখ্রে।

এৱেয়রনেসকী থৌরম অদু দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফেয়রগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট (দি সী পি য়ু)না তেংনৌপলগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন অমদি ফোর্দ ফাউন্দেশনগা খূৎশম্নদুনা শীনখিবনি। এৱেয়রনেসকী থৌরম অসি মহৈরোয়শিং, ওজা, লোকল কম্ম্যুনিটি লীদর অমদি খুঞ্জাশিংদা চাইল্ড ট্রাফিক্কিংদগী কমদৌনা ঙাকথোক্কদগে, অঙাংশিংগী রাইটস কমদৌনা ঙাত্তুনা থমগদগে অমসুং মসিগা মরী লৈনবা লিগেল প্রোভিজনশিংগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবগীদমক পাঙথোকপনি।

এৱেয়রনেসকী থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখিবা মীওইশিংনা চাইল্ড ট্রাফিক্কিং হায়রিবা তমথীবা থৌওং অসি করি মরমগীদমক কমদৌনা থোরক্লিবনো অমসুং মসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংদা করি করম্বা চৈথেং পীবগে, কমদৌনা রিপোর্ট তৌগদগে অমসুং লৈরিবা সপোর্ট সিষ্টম কয়াগী মতাংদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা ৱাখল তাহনখি।

রিসোর্ছ পর্সনশিং অদুনা শরুক য়াখিবশিংদা চাইল্ড প্রোটেক্সন হেল্পলাইনশিংগী মতাংদসু মরিক চুন্না পাউদমখিবগা লোয়ননা ট্রাফিক্কিং নৎত্রগা অঙাংশিংগী রাইটস খোঙ্গাওনবনি চিংনবা থৌওংশিং রিপোর্ট তৌরক্লবা পূক্লিং থৌগৎখি।

তেংনৌপলগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটনা অঙাংশিংবু ঙাক শেন্নবা অমসুং মখোয়গী রাইটস খোঙ্গাওনহন্দনবা মখা তানা অসিগুম্বা থৌরম কয়া পাঙথোক্কুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখিগনি হায়খি।

কংলাদা সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা উচেক মশীং থীবগী এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা ৱাইল্ডলাইফ এক্সপ্লোরর মণিপুর অমদি কংলা বোর্দকা খূৎশম্নদুনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদগী হৌদুনা কংলাদা 'গ্রেট বেকয়ার্দ বর্দ কাউন্ট' হায়না মিংথোনবা উচেক মশীং থীবগী এক্সর্সাইজ অমা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর বিক্রম সুরেশনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপদা, উচেক মশীং থীবগী এক্সর্সাইজ অদুদা ফোরেষ্ট ওফিসল, ৱাইল্ডলাইফ এক্সপ্লোরর মণিপুরগী মেম্বরশিং অমদি ৱাইল্ডলাইফ এন্থুসিয়ষ্ট অমসুং ভলন্টিয়র কয়ানা শরুক য়াখি।

উচেক মশীং থীবগী এক্সর্সাইজ অসি অর্বান বাইওদাইভর্সিটিগী মতাংদা এৱেয়রনেস পীবদা নত্তনা ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা উচেকশিং মোনিটর তৌবদা মীয়ামসু শরুক য়াহন্নবগীদমক পাঙথোকখিবনি। 'গ্রেট বেকয়ার্দ বর্দ কাউন্ট' অসি গ্লোবেল সিটিজন-সাইন্সকী খোঙথাং অমনি। মসিনা মফম অমদা লৈবা উচেকশিংগী পোপ্যুলেশন অমদি দিষ্ট্রিব্যুশনগী মরুওইবা দেটাশিং খোমজিনবা ঙম্মী হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, এক্সর্সাইস অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা কংলা মনুংদা তোঙান-তোঙানবা উচেক মখল কয়া রেকোর্দ তৌদুনা ইম্ফাল ময়োল অসিদা অশং-অমানগী ওইবা মফম কয়া থম্বগী মথৌ তাবা অদু এৱেয়রনেস ওইনা মীয়ামদা খঙহনখি।

বিক্রম সুরেশনা থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, কংলাগুম্বা অশং-অমানগী ওইবা মফমশিং অসিনা অর্বান এরিয়াদা শা-উচেক কয়াগী মরুওইবা মফম ওইহন্দুনা মীওইবা খুন্নাইগা মহৌশাগা শম্নহন্নবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইরি। উচেক মশীং থীবনচিংবা তোঙান-তোঙানবা এক্সর্সাইজ শিংগী খূত্থাংদা সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা মীয়ামদা মরুওইনা নহারোলশিংদা শা-উচেকশিংগী হেবিটেট য়োকখৎতুনা থম্বা অমসুং বাইওদাইভর্সিটি দোক্যুমেন্টেশন তৌবগী মরুওইবশিং অদু খঙহন্নবা হোৎনরি। অসিগুম্বা দেটাবেজ খোমগৎপদা মতেং ওইবা থৌরমশিং অসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

প্রোফেসর কুলদিপ চান্দনা য়ুনাক্কো স্কুলদা লাক্কুনা য়েংশিনখ্রে, ষ্টাফশিংগা ৱারী শানখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): সাহিত্যা এন্দ সংস্কৃতি একাদেমিগী এগজিক্যুটিভ ভাইস প্রসিদেন্ট প্রো. কুলদিপ চান্দ অগ্নিহোট্রিনা চনুংদা লৈবা য়ুনাক্কো স্কুলদা লাক্কুনা য়েংশিল্লম্বদা নত্তনা স্কুল অসিগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংগা ৱারী-ৱাতায় শাদুনা ইন্দিয়ন কলচর, লোল অমসুং নোলেজ সিষ্টমগী মতাংদা পাউতাক কয়া পীরম্লে হায়রি।

য়ুনাক্কো স্কুলগী প্রিন্সিপালনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরকপদা, ষ্টাফশিংগা ৱারী শানবা অদুদা প্রো. অগ্নিহোট্রিনা ইন্দিয়াগী ইনাক খুল্লবা লোলগী ওইবা দাইভর্সিটিগী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কম্ম্যুনিটিশিংনা তোঙান-তোঙানবা লোল ঙাংজরবসু খুন্নাই অসিনা খল্লিবা ৱাখল্লোন অমসুং ফোঙদোক্লিংলিবা ৱাখল্লোনশিং অদুদি অমত্তনি। লোলগী খেন্নবা থমদনা লৈবাক অমা ওইনা মালেমদা অচূম্বা ফোঙদোকপা হায়বসি তঙাইফদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, লৈবাক অসিগী নোলেজ সিষ্টম অসি লেপ্তুনা হোংলক্লি। লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী অথোইবা লাইনিং অসি জেনরেশন অমদগী তুংলমচৎকী ওইবা চারোল-শুরোলশিংদা নোলেজ পীরম্বা অসিনা ওইগদবনি। নোলেজ অসি মীচম মীয়ামগী ৱেলফেয়রগীদমক্নি। মসিবু পেটেন্ট তৌদুনা নৎত্রগা অথিংবা থমজিন্দুনা মীচম মীয়ামদা ফংহন্দদুনা পঙনা লৈহন্নবা হোৎনবা নৎত্রগা কোপীরাইট বেরিয়রশিংগী খূত্থাংদা মীয়ামদা নোলেজ ফংহন্দনবা হোৎনবগী থৌওং য়ারিবমখে থাদোকপনা ফৈ হায়খি।

প্রো. অগ্নিহোট্রিগী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না য়ুনাক্কো স্কুলগী কেম্পসতা ইনভাইরনমেন্টেল এৱেয়রনেস অমদি সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট প্রমোট তৌবা ওইনা মহাক্না উ চারা থাখি হায়রি।

সী আর পি এফনা পুলৱামা মার্টরসকী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): লম্ফেলপাৎতা লৈবা সী আর পি এফকী ১৪৩ শুবা বট্টালিয়ননা পুলৱামা মার্টরস নীংশিং নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্টগী ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপদা, থৌরম অদুদা কম্মান্দেন্ট-১৪৩ বট্টালিয়ন রবিন্দর শর্ম্মা, ওফিসরশিং অমদি য়ুনিট পর্সনেলশিংনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মার্টরসশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

রবিন্দর শর্ম্মনা থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা, পুলৱামা মার্টরশিং অসিনা উৎখিবা থৌনা লিংজেল অদু কাউফদে। নুমিৎ অসিবু ঐখোয়না নীংশিংদুনা লাইন ওফ দ্যুটিদা থৌনা ফরবা পর্সনেলশিংনা খনখিবা ৱাখল্লোন অমসুং কত্থোকপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মথৌদাং অদু নীংশিংদুনা চৎকদবনি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না 'শোক শাস্ত্র' পাঙথোক্কুনা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা পর্সনেলশিংনা লৈবাক অসিগী য়ুনিটি ঙাক্কনি হায়খি।

নিলকুঠিদা বাইওরিসোর্ছ মেনেজমেন্টগী এৱেয়রনেস অমদি ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): এম এস এম ঈ টেক্নোলোজি সেন্টর ইম্ফাল, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ মাইক্রো স্মোল এন্দ মীদিয়ম ওন্ট্রাপ্রাইজ অমদি ওল মণিপুর ট্রেন্দ মেদিসনেল এন্দ এরোমেটিক প্লান্ট প্রমোটর্স কন্সোর্টিয়ম (এ এম এ পি সী ও এন)না খূৎশম্নদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নিলকুঠিদা লৈবা এম এস এম ঈ টেক্নোলোজি সেন্টরগী ট্রেনিং হোলদা মেনেজমেন্ট দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এম দি পি)গী শরুক অমা ওইনা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চথগদবা 'বাইওরিসোর্ছ মেনেজমেন্ট ফোর সক্সেসফুল এন্দ সষ্টেনেবল এগ্রিপ্রেনর' হায়না মিংথোনবা এৱেয়রনেস অমসুং ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী কোওপরেটিভ সোসাইটিজগী রেজিষ্ট্রার ৱাইখোম ইবোহল, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য লাইশ্রম বোবী, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু)গী কোলেজ ওফ ফুদ টেক্নোলোজিগী দিন প্রো. এন জি ইবোয়াইমা, চীফ সাইন্টিষ্ট প্রো. ঐচ বিরকুমার, এম এস এম ঈ টেক্নোলোজি সেন্টরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. সিনাম য়োইরেনতোম্বা অমদি এ এম এ পি সী ও এনগী প্রসিদেন্ট পি দেবকান্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱাইখোম ইবোহলনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মীয়ামদা অসুক্কী মতিক কান্নবা ফংহনগদবা প্রোগ্রাম অমনি। প্রোগ্রাম অমা তৌরগা অখঙ-অহৈ খরনা ৱা খরা ঙাংলগা অদুম্মক লোইশিনখিগদবা প্রোগ্রাম ওইহল্লোই। মতিক চারবা, হৈথোই-শিংথোইরবা মীপূম খূদিংমক্না ঐ-ঐনা হৈরিবা শীনফম অদুগী মতাংদা কদায়দা করি তৌরগা লৈঙাক্কী মতেং লৌবা য়াবগে হায়বদু খঙনবা হোৎনদুনা লৌবা য়াবা কান্নবা লৌগদবনি। মসিদা কোওপরেটিভ সোসাইটিজনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। লমদমসিদা মালেমগী অতোপ্পা মফমদা ফংদবা পাম্বী কয়া লৈরি। মসিগী মতুংইন্না পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

হিন্দু সম্মেলন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): হিন্দু সম্মেলন সমিটি থৌবাল নগরনা শীন্দুনা 'হিন্দু সম্মেলন'গী থৌরম অমা থৌবাল অৱাং লৈকাইদা লৈবা সুপর ষ্টার ক্লব গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

সোসল য়ুনিটি, কলচরেল এৱেয়রনেস অমদি রিলিজিয়স আইদেন্টিটিবু মশক হেন্না থোকহন্নবা পান্দমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রান্তা সঙ্ঘচলক আর এস এস মণিপুরগী নরায়ন বাবু, প্রচারক প্রমুখ অসাম ক্ষেত্র এম এম অশোকান, বিস্বা হিন্দু পরিষদ মণিপুরগী আর কে রাধামোহোন, মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশকী দিরেক্টর ডা. এ কে লোকেন্দ্রনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা ৱা ঙাংলদুনা নরায়ন বাবুনা ফোঙদোকখিবদা, আর এস এসকী চহী ১০০ মপূং ফাবগী পালন থৌরম মখা চথরকপা ওইনা মণ্দল-মন্দলগী ওইনা পাঙথোকপা হিন্দু সম্মেলনগী থৌরমগী মনুং চন্না থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মণিপুরদা লৈরিবা মন্দল ৬০/৭০ অসিদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা সম্মেলনগী থৌরম মপূং ফানা পাঙথোক্কুনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎমিন্নসি হায়খি।

কেন্সরগা মরী লৈনবা লায়ওংগী মতাংদা এৱেয়রনেস পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): কেন্সরগী লায়না লায়ওংশিং ঙল্লিঙৈদা খঙদোক্কুনা মমল য়াম্লবা পূন্সি মাঙখিগদবদগী মতম চানা কলহৌনবগী পান্দমদা নিংঙোল ক্লব, পলেম-পন্থৌ ভি এল এফ, দুহূ লাইকোল ভি এল এফ, হৈরোক পার্ট-১ অমদি হ্যুমেনিটি সর্ভিস ফাউন্দেশনগা কার্কিনোস মণিপুর কেন্সর ক্যের ইন্সটিট্যুট এন্দ রিসর্ছ সেন্টরগা খূৎশম্নদুনা অমসুং ইকো নেটৱর্ক মণিপুরনা শৌগৎতুনা হৈরোক পার্ট-১দা লৈবা রোমিও স্কুলগী কেম্পসতা কেন্সরগা মরী লৈনবা লায়না লায়ওংগী মরমদা এৱেয়রনেস পীদুনা খঙমিন্নবা অমদি লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. ইমোনা ফোঙদোকখিবদা, কেন্সর হায়রিবা লায়না অসি কিরোইদবনি। লায়না অসি নারগা হেক্তা শিরগনি হায়বা লৈতে। মসি মতম চানা খঙদোকহৌরবদি কনবা ঙম্বগী চাং ৱাংই। কেন্সর লায়না অসি ঐখোয়না ষ্টেজ কয়া থোক্না খায়বা য়াই। ষ্টেজশিং অদুদি ০, ১, ২, ৩ অমসুং ৪নি। মসিগী মনুংদা ষ্টেজ ০দগী ২ ফাওবগী মনুংদা খঙদোকহৌরবদি ঐখোয়না লায়না অসিদগী লায়না কনবা ঙম্মী। ষ্টেট ৩ অমসুং ৪ য়ৌশিনখ্রবদি লায়েংবা ৱাই হায়বসি মীয়াম্না খঙবীগদবনি।

কেন্সর হায়বা লায়না অসি খোঙদগীনা কোক ফাওবগী মফম অমহেক্তদা নারকপা য়াই। লায়না অসি মতম শাংনা খঙদনা লৈগনবনা মরম ওইরগা ঐখোয়না 'সাইলেন্ট কিল্লর' হায়নসু খঙনৈ। মসি খঙনা-খঙনা মীওই অয়াম্বনা লায়না অসি নারে হায়বসি ষ্টেজ ৩ নৎত্রগা ৪ য়ৌদ্রিবা ফাওবা খঙবা ঙম্নদে। মরম অদুনা লায়না অসি ঙল্লিঙৈদা কমদৌনা খঙদোকহৌনবা করি করম্বা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদগে অমসুং লায়না অসি নারকপগী খূদম চাংদম্না করিনো হায়বসি খঙদোকমিন্নবা এৱেয়রনেসকী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ঐখোয় অয়াম্বনা মতম চানা হেল্থ চেক-অপ তৌবগী হৈনবী লৈতে। ইশাদা চৈনা ফাওরক্লবা, অনা-অয়েক য়াওরক্লবা মতমদতা হোস্পিটালদা চৎনবা হোৎনরি। নারক্ত্রিবমখে থওইনা খঞ্জিল্লুদবা অমসুং লায়না মশক খঙদোক্লবা হোৎনদবনা মরম ওইরগা কেন্সর খক্তা নত্তনা লায়না কয়া মতম শাংনা মশক খঙদোকপা ঙমদনা লৈবগী অচৌবা মরম ওইরি। মরম অদুনা চাং নাইনা হেল্থ চেক-অপ তৌবগী হৈনবী থল্লসি। হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা মীপূম খূদিংমক ৱাখল তানা খোঙ থাংমিন্নসি হায়খি।

ডা. রহৈজউদ্দিননা ইবা লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): মোইরাং কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. রহৈজউদ্দিন শৈখনা ইবা লাইরিক 'ইন্টিগ্রেটিং স্কিলস ইন হায়র এদ্যুকেশন: প্রোব্লেমস এন্দ প্রোস্পেক্টস' ফোঙবগী থৌরম অমা মোইরাং কোলেজ ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেলনা শীন্দুনা ঙসি কোলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা এম য়ুগী রিসর্ছ ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (রিষ্ট)গী দিরেক্টর প্রো. এন নিমাই, দি এম য়ুগী জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী প্রিন্সিপাল এল রাজেন, মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেশনগী ও এস দি ডা. দল্লিয়ু রোবিন্দ্রো অমদি ইম্ফাল কোলেজগী রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল প্রো. এম প্রিয়োবর্তনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লাইরিক অসিগী অইবা ডা. রহৈজউদ্দিন শৈখনা ফোঙদোকখিবদা, হান্না চৎনরম্বা জেনরেল এদ্যুকেশন সিষ্টম অসি লাইরিক নীংথিনা তম্লগসু স্কিলগী ওইবা কম্পোনেন্ট য়াওদবনা থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। মসি য়েংশিনবা স্কিল ফ্রেমৱর্ক শেমগৎপদা থেংনরকখিবা এক্সপরিয়েন্স অদু লাইরিক ওইনা ইথোকপনি হায়খি।

লাইক মাইন্দেদ গ্রুপনা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০(ঐচএনএস): লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা অৱা-অনা তারবা ইমুং কয়াদা লেপ্তুনা মতেং পাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা হৈঙাং অৱাং লৈকাইদা লৈবা ইবোচৌবা অমদি মাইকেলগী য়ূম কেন্দলদগী হৌরকপা মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়বা পাউ তাবদগী এল এম জিগী থৌমীশিংনা লুপা লিশিং ১০গী তেংবাঙ পীখ্রে হায়রি।

তেংবাঙ খোঙচৎ অদু এল এম জিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা লুচিংখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, মীওইবা ঐখোয় অসি তম্বা ঙমদবা খূদোংথীবা কয়ানা লাঙ্গোয় চল্লগা হিংবা পূন্সিনি। মরম অদুনা অৱাবা তারবা মতমদা পূম্নমক্না মতেং পাংবগী হৈনবী লৈবীয়ু। মতম চুপ্পদা চেকশিনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অফবা থৌরাংনি। হুরানবনা হুখিবদি পোৎলম খরখক্লি। অদুবু মৈনা চাকপদি পূম্নমক উৎ ওল্লিবনি। মৈ চাক্লকপা য়াবা পোৎ-চৈ পূম্নমক চেকশিন্না থম্বীয়ু অমসুং মোবাইল ফোন পায়বীরিবা পূম্নমক্না ফায়র ষ্টেশনশিংগী টেলিফোন নম্বর সেভ তৌশিনবীয়ু। মখা তানা এল এম জিনা মীয়ামগী মতেং পাংখিগনি হায়খি।

[illegible]

[illegible]

ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ / LOST

I have lost my service ID Card of 7th I.R.B. Rifleman No. 132001058 bearing ID Card No. 2022-483 issued by Commandant 7th IRB and Aadhaar Card bearing No. 570520582380 on the way between my resident and Airport on 25/01/2026. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Oinam Tomba Singh
S/o O. Jatra Singh
Mayang Imphal Thana Maning Khunou,
9862135831

HL-P/0119/15

MS BRICK FIELD
TAOBUNGKHOK,
P.S.PATSOI,P.O.LANGJING

1. 1st class. 14.00
2. 2nd class. 13.00
3. 1st Reject. 12.50
4. 2nd Reject. 10.00
5. Jammat. 10.00
6. Peti. I. 11.00
7. Peti. II. 10.00
8. 3rd class. 6

Contact no. 6909236749
Block Machine

HL-B/11164/4/2-9/3

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref :- Mut. Case No. 39/SDC/K Dt.: 16/01/2026

1) Naorem Khomdonbi Leima W/o Naorem Bijoykumar Meitei of Keirak Leirak Achouba.
2) Somokanta Maibam S/o Maibam Radhakanta Singh of New Checkon, Imphal East. -Petitioners

-Vs-

(Late) Chingakham Ongbi Ahanbi Devi W/o Chingakham Rabei Singh of Keirak Leirak Achouba. -Opp. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated/Kakching, the 12th February, 2026

Under Section 46(3) of ML & LR Act., 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি, ককচিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং. ৬৫-কৈরক পাট্টা নং. (১) ১৮৪ অংস (অরিবা) ৩৪৮/১৫৮৫ (অনৌবা), (২) ১৮৩ অংস (অরিবা) ৩৫৪/১৫৭৯ (অনৌবা) দাগ নং (১) ১০০২/১৬৩৩, (২) ১১৭৩/১৬২৮গী এরিয়া (১) .২৩২৭, (২) .২৭৯২ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অমসুং ফৌরেল মফম অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Kakching

HL-P/0122/15

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref :- Mut. Case No. 96/SDC/K Dt.: 13/02/2026

1) Kshetrimayum Memi Devi W/o Kshetrimayum Chandramani Meitei of Kakching Sumak Leikai Leirak Achouba Pareng.
2) Yengkhom Chaoba Devi W/o Yengkhom Mahesh Singh of Kakching Mayai Leikai.
3) Kshetrimayum Ongbi Geeta Devi W/o Ksh. Indrajit Singh of Kakching Turel Wangma Thongkhong Pareng.
4) Naorem Pholendro Singh S/o Naorem Tomchou Singh of Kakching Khunyai Leikai.
5) Salam Binarani Devi W/o Salam Chandrasekhar Singh of Kakching Wairi Salam Leikai.
6) Naorem Bhumeshwory Devi W/o Mathangmanei Dingkal Tarao of Leishakching Village.
7) Naorem Debajeet Singh S/o Naorem Tomchou Singh of Kakching Khunyai Leikai. -Petitioners

-Vs-

(Late) Naorem Tomchou Singh S/o Hemo Singh of Kakching Wairi. -Opp. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated/Kakching, the 13th February, 2026

Under Section 46(3) of ML & LR Act., 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি, ককচিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং. 62-Kakching Wairi পাট্টা নং. 357 (Old), 993 (New) দাগ নং. 3535 গী এরিয়া .967 একর চাওবা ইঙ্খোল মফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Kakching

HL-P/0122/15